# পাকিস্তান অমসুং চিনাগা তাইনবা ঙমখৈ পরিংদা ইন্দিয়ানা টন্নেল হুৎপগী থবক চঠখ্রে

*ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ৩০(এজেন্সি)ঃ*

পাকিস্তান অমসুং চিনাগা তাইনবা ইন্দিয়াগী ঙমখৈশিংগী মনাক্তা টন্নেলশিং হুৎপা অমসুং শেমশাবগী থবক কনখৎপা হৌখ্রে।

অসামগী ব্রহ্মপুত্র তুরেলগী মখাদা হৌজিক মতমগী চপ চানা থাক ৰাংলবা টন্নেল অমা হুৎনবগীদমক ইন্দিয়ানা গ্লোবেল টেন্দর অমা কৌখ্রে অমসুং চিনাগা থংনবা ঙমখৈ মনাক্তা অতোপ্পা টন্নেল ৩ গী থবক খোঙজেন য়াংশিনখ্রে অমসুং পাকিস্তান ঙমখৈ মনাক্তসু টন্নেল ৬ হুৎনবা থৌরাং তৌরি।




হিরম অসিগী থবক পায়রিবা বোর্দর রোদস ওর্গনাইজেসন (বি আর ও)না অসামদা ব্রহ্মপুত্র তুরেল মখাদা টন্নেল অমা শেন্নবগী গ্লোবেল টেন্দর অমা থোকখ্রে। মসিদা নত্তনা অরুনাচল প্রদেশকী সেলা পাসকী মখাদসু টন্নেল অমা হুৎপগী থবক হৌখ্রে হায়না মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখি।

নেচিফু কৌবা, মসিসু অরুনাচল প্রদেশকী মনুংদা লৈবা অসিদা অতোপ্পা টন্নেল অমগী থবকসু থুনমক হৌরগনি। টন্নেল অসিনা টাৰাংদা চৎপগী মতম তেনশিনহল্লগনি।

ইন্দিয়াগী নোংচুপ থংবা ফ্রন্টকীদমক থৌরাং তৌরিবা অনৌবা টন্নেলশিং অদুদি কুপৱারাগী করনাহা টহসিলবু চিংদোন অমা ফাওরগা কাশ্মির তম্পাককী অতৈ মফমগা শন্নহনবা শাধনা পাস অমসুং জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী কুপাৱারাদা ফারকিয়ান গলিনি।

চিনা অমসুং পাকিস্টানগা তাইনবা ইন্দিয়াগী ঙমখৈশিংগী পরিংদা পূন্না টনেল ১৯ শেন্নবা থৌরাং তৌরি।

জম্মু এন্দ কাশ্মির, লদাখ অমসুং অরুনাচল প্রদেশতা টন্নেল ১৯ থৌরাং তৌরি। মদুগী মনুংদা জম্মু এন্দ কাশ্মির অমসুং লদাখতা শাধনা অমসুং ফারকিয়ান গলিগী অদুগুম্বা টনেল ১৫ য়াওরি।

মসিদা নত্তনা অরাপ্পা অমসুং চৎপগী মতম তেনশিনহন্নবগীদমক অখনুর –পূঞ্চ রোদতা টন্নেল ৪ অমগসু শেন্নবা থৌরাং তৌরি। হায়রিবা মফমশিং অসি থা অসিগী অঙনবদা দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহদা পীবা পাউদম অমদা বি আর ওনা ফোঙদোকখিবনি।

হায়রিবা খ্বাইদগী মরুওইরিবা টন্নেলশিংগী মনুংদা অমদি ব্রহ্মপুত্রগী অদুনি। ওক্টোবরদা কৌখিবা টেন্দর অদুগী পাউখুমগীদমক জনুৱারি থা ফাওবা ঙাইখিগনি।

লোক সভাদা ষ্টেন্দিং কমিটি ওন দিফেন্সনা দিসেম্বর ২০দা স্পিকরদা পীবা রিপোর্ট অমনা ঈশিং মখাগী টন্নেলশিং অদু ২০২০ ফাওবগী মনুংদা লোয়শিন্নবা মতম পীরি।

# য়ুনাইটেদ আরব ইমিরেটসকী বজেট, ২০২০গীদমক রেকোর্দ দোল্লর বিল্লিয়ন ১৮দা হেনগৎলগনি

*দুবাই, দিসেম্বর ৩০(এজেন্সি)ঃ*

দুবাইনা ইমিরেটস অসিগী ইকোনোমি মশা খিংহন্নবা অমসুং এক্সপো ২০২০ ৱার্ল্ডফিয়ার শৌগৎনবা মথং চহীগী ষ্টেটকী খরচ য়ান্না হেনগৎহল্লবা য়াই হায়না ঙরাং নোংমাইজিং নুমিৎতা ফোঙবা ২০২০ বজেটদা উৎলি।

ষ্টেট স্পেন্দিং অদু ২০৯০গীদমক দিরহাম বিল্লিয়ন ৫৬.৮কী ওরিজিনেল বজেট প্লান অদুগা চাংদম্নবদা চাদা ১৭ হেনগৎতুনা দিরহাম বিল্লিয়ন ৬৬.৪ (দোল্লর বিল্লিয়ন ১৮.১)গী রেকোর্দ য়ৌরগনি হায়না ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সি দব্লিয়ু এ এমনা হায়খি।

ইমিরেট অসিনা এক্সপো ২০২০ হৌবা অদু নক্সিল্লকপগা লোয়ননা থংনা–থংননা অনীশুবা চহী ওইনা



২০২০দা ইনফ্রাষ্ট্রকচরদা খরচ তৌবা অসি দিরহাম বিল্লিয়ন ৮দা হন্থরগনি।

গভর্ণমেন্টনা থা ৬ শাংবা ৱার্ল্ড'স ফিয়ার অদুগী থৌরাংদা য়ান্না হেন্না শেন থাদখ্রে। হায়রিবা ফিয়ার অদু ওক্টোবরদা হৌগদবনি।

ইনভেষ্টমেন্ট হেনগৎহন্নবা ব্যুজিনেসশিংগীদমক ফি খরা কক্লবা অমসুং ফ্রিজ তৌনবা মমাঙদা ৱারেপ কয়া লৌখ্রবসু ষ্টেটকী রেভিন্যুশিং চাদা ২৫ হেনগৎতুনা দিরহাম বিল্লিয়ন ৬৪ য়ৌনবা পান্দম থল্লি।

দুবাইনা হান্নদি ২০১৯দা ফংখিবা চাদা ২.১গী গ্রোঠ অদুদগী হেন্না খোঙজেন য়াংশিন্না ২০২০দদি লৈবাক অসিগী ইকোনোমি অসি চাদা ৩.২গী গ্রোঠ লৈগনি পাখিবনি।

তোঙান তোঙানবা ট্রেদ অমসুং টুরিজম ইকোনোমি লৈবা অমসুং য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেটসকী টেরিটোরি ৭কী মনুংদগী অমা ওইরিবা দুবাইনা ইকোনোমিক এক্টিভিটি ঈনোৎ পীনবা ৱার্ল্ড এক্সপো ২০২০ অদুদা আশা তৌরি।

২০০৯দা প্রোপরটি ক্রাস অমগী তুংদা ইকোনোমিককী ফিভম ফগৎলন্নবসু মদুগী মখা তারকপদা ২০১৪দা রিয়েল ইষ্টেট মার্কেটতা য়ক লাওনা মমল ৱাংখিবা মতুংদগী অমুক মমল য়ান্না হন্থরকখিবা অমা দুবাইনা মায়োক্লখি। দুবাইগী ওইনা পাক চাওবা ওইল ৱেলঠ লৈতে।

# জিন–এদিট তৌবা অঙাংশিং পুথোক্লে হায়খিবা সাইন্টিষ্ট চিনানা জেলগী চৈরাক পীখ্রে

*বৈজিং, দিসেম্বর ৩০(এজেন্সি)ঃ*

চানিজ কোর্ট অমনা ঙসি নিংথৌকাবা নুমিৎতা মালেমগী অহানবা জিন–এদীটেদ বেবিশিং পুথোক্লে হায়খিবা সাইন্টিষ্ট অদু ইলিগেল মেদিকেল প্রাক্টিসকীদমক জেলদা চহী ৩গী চৈরাক পীখ্রে হায়না ষ্টেট মেদিয়াগী পাউনা ফোঙদোকখ্রে।

ঐচ আই ভিদা ইম্ম্যুনিটি ওইনবা জিনশিং ওন্থোক্লবা অঙাং নুপীমচা ফাইবোক পোক্লে হায়না লাওথোক্তুনা হৌখিবা চহীদা মালেমগী সাইন্টিফিক কম্যুনিটিবু থুক লাওনা ঙকহনখিবা হে জিয়ানকুইবু য়ুৱান মিল্লিয়ন ৩ (দোল্লর ৪৩০,০০০)গী ফাইনসু তৌখি হায়না জিনহুৱানা ন্যুজ এজেন্সিদা হায়খি।



ষ্টেনফোর্দ য়ুনিভর্সিটিদা মহৈ তম্লকখিবা চাইনিজ সাইন্টিষ্ট অদুবু আইনগী ৱাংমদা রিপ্রদক্সনগীদমক হ্যুমেন ইমব্রিয়ো জিন–এদিটিং পাংথোকপগীদমক সেনঝেনগী কোর্ট অমনা চৈরাক অদু পীখি। মহাকখক্ত নত্তনা মহাক্কী লোয়নবা রিছার্সর অনীসু চৈরাক পীখি। অনী অদুদি ঋাং রেনলি অমসুং কিন জিনঝৌনি। মখোয় ৩ অসি ডোক্টরশিং ওইনা থবক তৌনবগী ক্লালিফিকেসনশিং ফংখিদে অমসুং মশানা খঙনা –খঙনা চিনাগী রিগুলেসনশিং অমসুং ইথিকেল প্রিন্সিপলশিং থুগাইখি হায়না কোর্টকী ৱায়েল অদুনা পনখি।

মখোয়না মশাগী মিংচৎ অমসুং তোংজবগী ৱাখলনা মাঙ থারগা থবক তৌখি অমসুং মেদিকেল ওর্দরবু শাথিনা থুগাইখি হায়খি।

রিছার্সরশিং অদুনা ইথিকেল রিভ্যু মেটরিয়েলশিং শেমজিন–শাজিনখি অমসুং মপুরোইবশিং ঐচ আই ভি পোজিটিব ওইবা মতৈ–মনাওশিংবু মখোয়গী জিন–এদিটিং এক্সপরিমেন্টশিংগীদমক রিক্রুট তৌখি।

কেস অসি 'পার্সোনেল প্রাইভেসি'গা মরী লৈনবা ওইবনা ৱায়েন চঠবা অদু অতোপ্পা মপানগী মীওইশিং চংহন্দনা পাংথোকখি।

হে জিয়ানকুইনা চঠখিবা জিন–এদিটিং এক্সপরিমেন্টশিং অদুনা মীরোনবা ২ থোকহনখি। মদুদি নুপীমচা ফাইবোক অদুগা ৩শুবা অঙাং অমগনি। ৩শুবা অদুদি মমাঙদা চপ চানা ফোঙদোকখিদে। মহাক্না *সি আর আই এস পি আর* (ক্রিপস) হায়না খঙনবা টেক্নিক অমগী মখাদা অকক্লবা জিন অমা লৌথোক্তুনা ঐচ আই ভি নাগদবদগী থিংনবা মখোয়গী দি এন এ অদু মখোয়না ওন্থোক্লবা মতুংদা মালেমগী অহানবা জিন–এদিটেদ বেবিশিং –ফাইবোক অদু নবেম্বর থাদা পোক্লে হায়না হৌখিবা চহী নবেম্বরদা মহাক্না লাওথোকখি।

মদুগী নুমিৎ খরনিগী তুংদা সেনঝেনদা লৈবা সাউদর্ন য়ুনিভর্সিটি ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিদা হান্না এসোসিয়েট প্রোফেসর অমা ওইরম্বা হে জিনকুইনা হোং কোংদা পাংথোকপা বাইওমেদিকেল কনফরেন্স অমদা মহাক্কী জিন–এদিটিংগী থবক অদুগীদমক মহাক চাওথোকচৈ হায়না মহাক্না হায়খি।

মহাক্না মহাক্কী লাওথোক–ৱারোল অদুনা বাইওইথিক্সকী মতাংদা ৱাহংশিং হংলদুনা মালেম পাকশনবগী সাইন্টিষ্টশিং থুক লাওনা থম্মোয় শোকখি অমসুং সাইন্টিফিক রিছার্সতা চিনাগী য়েংশিনবা ৱাৎপা অদু ঙাংনরকখি।

*সি আর আই এস পি আর* (ক্রিপস) মোলিক্যুলর 'সিজর'শিং অদুনা অয়াম্বা মতমদা টার্গেট তৌরিবা জিন অদু কক্তুদুনা থংনবা জিন অদু ককপদগী থাজদবা ম্যুটেসনশিং থোকহল্লি হায়না শন্দোক্না তাক্লদুনা য়ুনিভর্সিটি ওফ পেন্সিলভানিয়াদা জিনেটিক্সকী প্রোফেসার ওইরিবা কিরন মুসুনুরুনা টেক্নোলোজি অদু সেফ ওইদে হায়খি।

থোক্লক্কদবা ফেলশিং অদুগী মতাংদা নহাক্না খন্দ্রবদি মসি তৌবা য়াহ্না লাই হায়না মুসুনুরুনা হায়খি।

মালেমগী মায়কৈ পূন্নমক্তগী লাওনরকপদগী হে জিয়ানকুইগী মথক্তা পুলিস ইনভেষ্টিগেসন চঠখি। গভর্ণমেন্টনা মহাক্কী রিছার্সগী থবক লেপ্পবা ওর্দর তৌখি অমসুং মাগী চাইনিজ য়ুনিভর্সিটি অদুনসু মহাকপু তাহ্থোক্লকখি।

মচা পোকহন্নবগী হিরমশিংগীদমক জিন–এদিটিং তৌবা অসি অয়াম্বা লৈবাকশিংদা আইননা য়াদে।

চিনাগী হেল্ঠ মিনিষ্ট্রিনসু নন–রিপ্রদক্টিব পরপোজশিংগীদমক জিন–এদিটিং তৌবগী অয়াবা পীরবসু হ্যুমেন ইমব্রিওশিং জিন–এদিটিং তৌবদি ২০০৩দা অথিংবা থম্বা রিগুলেসনশিং থোকখ্রবনি।

# আর্মস লাইসেন্স লাখ ২ পীরম্বগীদমক সি বি আইনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী হান্নগী ওফিসারশিংদা রেইদ চঠখ্রে




*ন্যু দিল্লি/ শ্রিনগর, দিসেম্বর ৩০(এজেন্সি)ঃ*

জম্মু এন্দ কাশ্মিরবু য়ুনিয়ন টেরিটোরি ২ থোক্না খায়দোকখিবা মতুংদগী সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সি বি আই)না পাক চাওনা চঠবা অহানবা ওপরেসন অমদা আর্মস লাইসেন্স কেসতা শ্রীনগর, জম্মু, গুরগাও, নোইদাদা ঙসি মফম ১৩দা রেইদ চঠখ্রে।

জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা নোংমৈগী লাইসেন্স লাক্ষ ২ হেন্না পীরমখিবদা তৌখিবা অরানবশিং অদু এজেন্সি অসিনা থিজিল্লি।

হৌজিক শ্রীনগরদা লৈরিবা বান্দিপোরাদগী থবক্তগী পোথারবা আই এন এস ইট্রাট হুসেন রাফিকিগী য়ুমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চঠখি। হান্নগী দিষ্ট্রিক্ট কমিস্নার ফরুক অহমদ খানগী শ্রীনগরদা লৈবা য়ুমদসু রেইদ চঠখি।

নোংমৈ লাইসেন্সশিং পীবদা অরানবশিং লৈরে হায়না ৱাফম পল্লদুনা জম্মু এন্দ কাশ্মির এদমিনিষ্ট্রেসননা জনুৱারি ২০১৭ অমসুং ফেব্রুৱারি ২০১৮গী মরক্তা পীখিবা লন্নাইগী নোংমৈ লাইসেন্সশিং জুলাই ১২, ২০১৮দা ককথৎখি। হায়রিবা চহী অদুমক্কী আগষ্ট থাদা কেস অদু থিজিন্নবা সি বি আইদা শিন্নখি।

য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদা সি বি আইনা রেইদশিং চঠনবগীদমক মাঙজৌনননা অয়াবা লৌবগী মথৌ তাবা লৈতে। মসিগী চঠরিবা থবক অসি জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী ওটোনোমি ককথৎখ্রবা মতুং সি বি আইনা চঠবা অহানবা থবক্নি।

# অৱাং ইন্দিয়াদা ঈংবা হেঞ্জিল্লকখিবগা স্কুলশিং থিংজিনখ্রে, রেল অমসুং এয়ার ট্রফিকতা শোকখ্রে

*ন্যু দিল্লি /শ্রীনগর, দিসেম্বর ৩০(এজেন্সি)ঃ*

হন্দক্কী নিংথম থা অসিদা মথং–মথং ঈংশিল্লকখিবা অদুনা অৱাং থংবা ইন্দিয়াদা ঙসি অমুক্কা হেন্না শাথিনা ঈংখ্রে। মসিনা মরম ওইদুনা হরিয়ানাদা স্কুলশিং থোঙ লোশিন্নবা ওথোরিটিজনা ৱারেপ লৌখ্রে। অথাবা লৈচিন্না মরম ওইদুনা প্লেন অমসুং ট্রেনশিংগী চখোক–চৎশিনদা অকয়াবা ওইখ্রে।

শ্রীনগরদা নিংথম থা অসিগী খ্বাইদগী ঈংবা নুমিদাংগী রেকোর্দ ওইখ্রে। মফম অসিগী টেম্পেরেচর মাইনস ৬.৫ দিগ্রী সেলসিয়স ওইখি। অমরোমদা রাজস্থানগী জয়পুরসু চহী ৫০ হেনবগী মনুংদা খ্বাইদগী নেম্বা টেম্পেরেচর য়ৌনা ঈংখ্রে। ১৯৬৪গী দিসেম্বর ১৩গী মতুংদগী খ্বাইদগী হেন্না ঈংবা ওইনা জয়পুরগী মিনিমম



টেম্পেরেচর সেলসিয়স দিগ্রী ১.৪ য়ৌনা নেমখি। ষ্টেট অসিগী অমত্তা ঙাইরবা হিল ষ্টেসন মাউন্ট অবুদা নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক্তা মাইনস ৩ দিগ্রী সেলসিয়স ওইখি।

অদুম ওইনমক হৌখিবা চহী ২২দা খ্বাইদগী মতম শাংনা ঈংদুনা লৈরিবা দিল্লি ঙসি নিংথৌকাবদগী হৌরগা অঙ্গীংবদগী অৱাবা খরা কোক্লবা য়াই। মদুগী মরমদি নুংশিৎকী মায়রম হোংদোকখিরবা য়াই হায়না মেট ওফিসনা হায়খি।

হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা দিল্লিগী চহী অসিগী খ্বাইদগী ঈংবা নুমিৎ ওইখ্রে। নুমিৎসিদা সিটি অসিগী মিনিমম টেম্পেরেচর সেলসিয়স দিগী ২.৪ ওইখি।

হরিয়ানাদদি মফম কয়ামুক্তা ফমজিনবা য়ৌনা ঈংখি। ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা দিসেম্বর ৩০ অমসুং ৩১ নুমিৎ নীনি অসি স্কুলশিং ছুতি থানবা ৱারেপ লৌখ্রে।

মদুগী মতুংদা মথং চহীগী জনুৱারি ১দগী জনুৱারি ১৫ ফাওবদসু ৱিন্টর হোলিদেগী ওইনা স্কুল পূন্নমক ছুতি থারগনি হায়না ওফিসিয়েল ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

লদাখ য়ুনিয়ন টেরিটোরিগী লেহ টাউনদা মমাঙগী নুমিদাংদা মাইনস ১৯.০ দিগ্রী সেলসিয়স ওইখিবা অদুদগী হেন্না ঈংথদুনা মাইনস ২০.১দা নেমথখ্রে। অনকপা দ্রাস টাউনসু মাইনস ২৮.৮ দিগ্রী সেলসিয়সতা ফমজিনখ্রে।

# জে এন্দ কেদা মীতোপতা থবক পীবা য়ারোইঃ জে কে এন পি পি

*লম্মু, দিসেম্বর ৩০(এজেন্সি)ঃ*

জম্মু এন্দ কাশ্মির নেসনেল পান্থরস পার্টি ( জে কে এন পি পি)না ঙসি য়ুনিয়ন টেরিটোরি অসিগী গভর্ণমেন্টপু মফম অসিগী থবক ফংদ্রিবা লাইরিক হৈবা নহারোলশিংগী শিনফম মাঙহন্নবা হোৎনৈ হায়না মরান শীখ্রে।




য়ুনিয়ন টেরিটোরি গভর্ণমেন্ট অসিনা মীতোপশিংদা লোকেল ষ্টেট জোবশিং পীনবা হোৎনরিবা অদু য়াবা ঙল্লোই হায়বা অচেৎপা ফিরেপ ফোঙদোকখ্রে।

কনষ্টিট্যুসনগী আর্টিকেল ৩৭০ চৎনহনখিদ্রবগী মতুংদা জম্মু এন্দ কাশ্মির অমসুং লদাখ য়ুনিয়ন টেরিটোরি অনী অসিদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা লৈবাকসিগী অতোপ্পা মফমদগী কেন্দিদেটশিংদা ষ্টেটকী থবক পীনবা অহানবা খোঙথাং অমদা জম্মু এন্দ কাশ্মির হায় কোর্টনা অহাংবা ফম ৩৩ মেনশিন্নবা ইন্দিয়াগী মফম পূন্নমক্তগী কেন্দিদেটশিংদগী এপ্লিকেসন কৌখ্রে।

চহী অসিগী আগষ্ট ৫দা আর্টিকেল ৩৭০ চৎনহনখিদবা অদুগী মতুংদা লমদম অসিদা মীতোপনা লম লৈবা লোয়ননা গভর্ণমেন্টকী থবকশিংদা হাপ্পদা আইগী অথিংবা খরা থন্নবা নৎত্রগা দোমিসাইল সার্টিফিকেট অমা চঙহন্নবা নাকন কয়াদগী দিমান্দশিং তৌখিবনি।

থৌরাং অদুনা লমদম অসিগী থবক ফংদ্রিবা লাইরিক হৈবা নহারোলশিংগী আশা মাঙহনবতা নত্তনা হান্নগী ষ্টেট অসিগী আশা লৈবা নহারোলশিংগী ৱাখল শোকহল্লগনি হায়না জে কে এন পি পি চিয়ারপাসন হর্শ দেবা সিংহনা মফম অসিদা পাউমীশিংদা হায়খি।

জম্মু এন্দ কাশ্মির হায় কোর্ট খক্ত নত্তনা জে এন্দ কে ট্রেদ প্রমোসন ওর্গনাইজেসন (জে কে টি পি ও)নসু ইন্দিয়াগী মফম পূন্নমক্তগী কেন্দিদেটশিংদা থবক পীনবা হোৎনখ্রে। মসি য়ান্না শাথিনা ফৎতবা ফলশিং লাক্কনি হায়না জে কে এন পি পি লুচিংবা অদুনা হায়খি।

জে কে টি পি ও মেনেজিং দাইরেক্টর অদুনা থাগী তলব লুপা ২৫,০০০ ওইগদবা প্রোফেসনেল ইন্টর্নকী ফম ৭ মেন্সিন্নবা ওল ইন্দিয়া বেসিসতা ওইবা য়াবা মীওই পূন্নমক্তগী দিসেম্বর ১৭তা এপ্লিকেসনশিং কৌখি।

জে এন্দ কেগী নহারোলশিংগী তুংগী শিনফমগী আশাশিং মাঙ–তাকহনবগীদমক বি জে পিদা থীনা চৈরদুনা জে কে এন পি পিগী চিয়ার পার্সন হর্শ দেব সিংহনা করাম্বা খোল্লাওশিংগী খুৎথাংদা মীখল মতমদা মীহৌহনখিবা নহারোলশিংগী অশাওবা অদু মায়োক্লনবা বি জে পিনা থৌরাং তৌরগদবনি হায়খি।

পুলিস কষ্টেবলশিংগী ফমশিং ষ্টেট অসিগী পর্মেনেন্ট রেসিদেন্টশিং খক্তনা মেনশিনগদবনি হায়বা দিমান্দশিং অদু সেপ্টেম্বর থাদসু বি জে পিনা থিংখি। আর্টিকল ৩৭০ মুখৎখ্রবগী মতুংদদি লৈবাক অসিগী সিটিজন পূন্নমক্না জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা থবক–ইনখাং তৌবগী হক লৈরে হায়না বি জে পিনা হায়খি।

# ইরাক প্রোটেষ্টরশিংনা ওইল ফিল্ডগী চখোক–চৎশিন লম্বী থিংজিনখ্রে, ষ্ট্রাইক কৌখ্রে

*নাসিরিয়াহ, দিসেম্বর ৩০(এজেন্সি)ঃ*

ইরাকতা অনৌবা গভর্ণমেন্ট অমা পোলিটিকেলগী ফেক্সনশিংনা শেম্বা ঙমদনা লৈরকখিবা অমসুং লৈঙাক কাঙলোন পূন্নমক শিথরকখিবগী চৈরক্তা গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা লৈবা ইরাক প্রোটেষ্টরশিংনা ওইল ফিল্ড অমগী লম্বী থিংজিনখ্রে অমসুং খা থংবা সিটিশিংদা ঙরাং রেল্লিশিং পাংথাকখ্রে।

লৈবাক অসিগী কোনুং বাঘদাদকী খাদা কিলোমিটর ৩০০ লোম লাপ্পদা লৈবা, নোংমদা থাও বেরেল ৮২,০০০ পুথোক্লিবা নাসিরিয়া ওইল ফিল্ড অদু থবক পীয়ু হায়না দিমান্দ তৌবা মীওই চা কয়ানা লম্বী থিংজিন্দুনা থমখ্রে হায়না একজিক্যুটিবশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

জনুৱারিদা ৪শুবা থা চংশিলক্কদবা মীয়ামগী লালহৌ অসি হৌখিবা মতুংদগী ও পি ই সিগী অনীশুবা খ্বাইদগী চাওবা প্রোদ্যুসর অসিগী থবক অকায়বা পীবদা নুমিৎ নীনিগী ব্লোকেট অসিনা অহানবনি।

ইরাককী ওইল মিনিষ্ট্রিনা লম্বী থিংজিল্লিবা অদুনা লৈবাক্কী থাও পুথোকপা অমসুং এক্সপোর্ট তৌবদা শোক্লোই হায়খি অমসুং খা থংবা হিথাংফম বশ্রাদা লৈরিবা নেসনেল ওইল কম্পেনিগী মশা অদুনা অৱাৎপশিং অদু মেনশিনগনি হায়না মখা তাখি।

ইরাকনা নোংমদা থাও বেরেল মিল্লিয়ন ৩.৬লোম মপান লৈবাক্তা য়োল্লি। লৈবাক অসিগী দিক্টেটর সদাম হুসেনবু ইন্থুখিবা ২০০৩গী য়ু এসনা লুচিংদুনা লান্দারকখিবা অদুগী মতুংদগী লৈবাক অসিদা পায়রকখিবা পোলিটিকেল ক্লাস পূন্নমকপু তাম্থোক্লবা নহরোলশিংনা লুচিংবা প্রোটেষ্টশিং অসিনা দিমান্দ তৌরি।

টিয়ার গ্যাস কাপ্তুনা, লিচৈনা কন্দুনা অমসুং অশেংবা নোংমৈ ফাওবা কাপ্তুনা নমথনবা হোৎনরবা ফাওবদা মখা চঠখিবা প্রোটেষ্টশিং অসিদা হিংশাগী থৌদোক্তা মীওই ৪৬০ রোম শিখ্রে অমসুং মীওই ২৫,০০০রোম শোকখ্রে।

থোক্লিবা ইরাং অসি হেনগৎহন্দুনা প্রসিদেন্ট বরহাম সালেহনা মথংগী গভর্ণমেন্ট অদু শেন্নবা প্রো–ইরান কেন্দিদেট অমগী মমিং পুখৎকদবগী মহুৎতা মহাক ফম থাদোক্কনি হায়না হৌখিবা চয়োলদা মুকখি।

নাসিরিয়া মহৈরোই দেমোষ্টেটর ওসামা আলিনা হেড ওফ ষ্টেট অদুবু পোলিটিকেল পার্টিশিং অমসুং মিলিসিয়ামেনশিংনা মখোয় মশাগী ইন্টরেষ্টশিং ঙাক্লবা রিভোলুসন অসিবু হাৎতোক্লবা হোৎনরকপশিং থুগাইখ্রে হায়রদুনা মহাকপু থাগৎখি।

য়ুনাইটেদ নেসন্সনা মিলিসিয়াশিংবু দেমোষ্টেটরশিং কিহনবা, ফাবা অমসুং হাৎপগী থবক চঠৈ হায়না মরান শীখি। গভর্ণমেন্টনা চল্লাইবা হ্যুমেন রাইটস কমিসননসু মাঙখিবা এক্টিভিষ্ট ৫৬ অদুগী পাউ অমত্তা হৌজিক ফাওবা মখোয়না ফংদ্রি হায়রি। অকনবা প্রোটেষ্টশিং অসিদগী প্রাইম মিনিষ্টর অদেল অবদেল মহাদিদি নবেম্বর থাদা ফম থাদোকখ্রবনি। অদুম ওইনমক মহাক কিয়ারটেকর ওইনদি থবক পুরি।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-345**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | 8 | | 5 | 6 | | 7 |
| | 6 | | | 7 | | 9 | 8 | |
| | 2 | 8 | | | | | 5 | 1 |
| 2 | | | 5 | | 1 | | | 3 |
| 1 | | 7 | | 8 | | | 9 | |
| 9 | | | | | 7 | | 1 | 5 |
| 8 | | 5 | | 1 | | | 7 | |
| | 7 | | 9 | | | | | 8 |
| | | 1 | | 6 | | 5 | | |

## GAS TODAY

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 02/11/19
Sl. No. : 5120
Valid : 02/11/19
Sl. No. : 4671
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Misao Gas Service**
Booking : 02/12/19
Valid : 20/11/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 11.00 a.m.

**Lambodara Indane**
Booking : 16/12/19
Valid : 30/11/19
Stk : 306
Time : 08.00 to 10.00 a.m.

**Canchi Indane**
Booking : 06/11/19
Valid : 26/10/19
Stk : 612
Time : 08.00 to 10.00 a.m.

**Khongnang Gas, Bisnupur**
Booking : 01/10/19
Valid : 28/09/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m.

**Haran Valley, Kwata**
Booking : 17/10/19
Valid : 14/10/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Khoriphaba Gas, Nambol**
Booking : 09/11/19
Valid : 08/11/19
Sl. No. : 61700 to 61864
Time : 07.00 to 08.30 a.m.

**Hrangchal Gas**
Booking : 25/11/19
Valid : 22/11/19
Stk : 306
First Come First Serve

**K & K Indane**
Booking : 08/11/19
Valid : 05/11/19
Sl. No. : 100
Stk : 306
Time : 07.30 to 11.00 a.m.

**GBD Indane Service**
Booking : 02/11/19
Valid : 24/10/19
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Jemon Gas Service**
Booking : 28/09/19
Valid : 22/09/19
Sl. No. : 81100
Stk : 468
Time : 07.00 to 09.00 a.m.

**Yairipok Gas Service**
Booking : 07/11/19
Valid : 04/11/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**M M Gas Service**
Booking : 05/11/19
alid : 02/11/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.
First Come First Serve

**Imphal LPG Service**
Booking :16/11/19
Valid : 04/11/19
Sl. No. : 9068
Stk : 306/ 19kg -5
Time : From 07.00 a.m.

**সনা–সুদোকু–৩৪৪ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 8 | 2 | 7 | 3 | 1 | 9 | 4 | 5 | 6 |
| 6 | 1 | 9 | 5 | 4 | 8 | 7 | 3 | 2 |
| 4 | 5 | 3 | 6 | 7 | 2 | 1 | 9 | 8 |
| 9 | 3 | 5 | 7 | 6 | 4 | 2 | 8 | 1 |
| 2 | 7 | 6 | 1 | 8 | 3 | 9 | 4 | 5 |
| 1 | 4 | 8 | 9 | 2 | 5 | 6 | 7 | 3 |
| 5 | 9 | 1 | 2 | 3 | 7 | 8 | 6 | 4 |
| 3 | 6 | 4 | 8 | 9 | 1 | 5 | 2 | 7 |
| 7 | 8 | 2 | 4 | 5 | 6 | 3 | 1 | 9 |

# ওগষ্ট থাদগী শ্রীনগরদা ফাজিন্দুনা থমখিবা পোলিটিকেল লীদর ৫ থাদোকখ্রে

*ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ৩০(এজেন্সি)ঃ*

জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী স্পিসিয়েলষ্টেটস ককথৎকদবগী মাঙওইননা চেকপশিন থৌরাং ওইনা থা ৫ রোম সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা ফাজিন্দুনা থমখিবা পোলিটিকেল লিদর ৫ ঙসি শ্রীনগরদা দিটেন্সনদগী থাদোকখ্রে।

অদুম ওইনমক কাশ্মিরগী খ্বাইদগী হেন্না শীংথানিঙাই ওইবা লুচিংবা ৩ নেসনেল কনফরেন্স প্রসিদেন্ট, মহাক্কী মচানুপা ওমর অবদুল্লাহ অমসুং পিপলস দেমোক্রেটিক পার্টিগী লুচিংবী মেহবুবা মুফতি হৌজিকসু মখা তানা ফাদুনা থমখিগনি।

সেন্টরনা মখোয় অদু মতম চারবা মতমদা থাদোক্কনি হায়বা অসিখক্তমক হায়রদুনা মখোয় থাদোক্লবগী অকক্লবা মতম অমত্তা পীদ্রি।

হান্নগী মিনিষ্টর অমসুং লেজিসলেটর ৩০ হেন্না থল্লম্বা এম এল এ হোষ্টেল অমদগী হান্নগী লোমেকর ৫ থাদোকখ্রে। থাদোকখ্রবা লুচিংবশিং অদুগী মনুংদা পিপল দেমোক্রেটিক পার্টি, নেসনেল কনফরেন্স অমসুং কোংগ্রেসতগী ইসফক জব্বর, গুলাম নবি ভত্তা, বাসির মির জাহুর মির অমসুং য়াসির রেসিনি।

বি জে পিনা লুচিংবা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী স্পিসিয়েল ষ্টেটস মুখৎপা মতমদা মীয়ামগী ঈরাং হৌরক্তনবা ষ্টেট অসিগী পোলিটিকেলগী লুচিংবা অয়াম্বা মাঙজৌননা ফাজিন্দুনা থমখি।

রিজন অদুগী ফিভম নোর্মেল ওইনা লৈরিবসি লুচিংবশিং অদু ফাজিন্দুনা থম্বগী মরমদগীনি। ফাদুনা থম্মীবশিং অসিগী ফলশিং অদু ময়েক শেংলে। লুচিংবশিং অসি য়াওহন্দ্রবা মরম্না হন্দক্কী মতাং অসিদা ঈ তান্নখিদ্রে হায়না জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী গভর্ণরগী এদভাইজর ফারুক খানগা পাউগী এজেন্সিদা হায়খি।

অদুম ওইনমক গভর্ণমেন্টকী ৱাখল্লোন অদু য়ুনাইটেদ নেসন্সনা য়াদে। কাশ্মিরগী মীয়ামবু মখোয়গী মী অমা ওইবগী ফংফম থোকপা হক কয়া ফংহন্দনা থল্লিবা অদুদা ঐখোয় শাথিনা নুংনাংই অমসুং ফিভম অদু লোইশিন্নবা অমসুং হৌজিক ফংহন্দ্রিবা হকশিং অদু মপুং ফানা ফংহন্নবা ঐখোয়না ইন্দিয়ান ওথোরিটিজদা অপিল তৌরি হায়না য়ু এন হায় কমিসন ফোর হ্যুমেন রাইটসনা হায়খি।